**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17.04.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ১৭-০৪-২০২৪, য়ুমশকৈশ)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল নিংথৌখোংজং সুনিনা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) মনিপুর য়াওনা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদনগদবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক ঙসি নুংথিল পুং ৪ দা লোইশিনখ্রে।

২) লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদবদা মথৌ তৌগদবা ওফিসিয়েল অমদি সেক্যুরিতি পরসনেলশিং ঙসিদগী মশা মশাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা চৎন্নবা হৌনখ্রে।

৩) অখাক অরাও য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা রাজ্য অসিগী মফম খরদা অমাং আতা থোকহনখ্রে।

৪) ভিলেজ ভোলুন্তিয়ার ফোর্সশিং সেক্যুরিতি ফোর্স ওইনা লৌশিন্নবা পি.আই.এল অমা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরদা থাখ্রে।

**অমসুং**

৫) মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না তেলঙ্গনাগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি কে. চন্দ্রসেখরা রাওদা নোতিফিকেসন পীখ্রে ।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**মীখল (এল)ঃ** মনিপুর য়াওনা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদনগদবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক ঙসি নুংথিল পুং ৪ দা লোইশিনখ্রে। অহানবা তাঙ্কক অসিদা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটকী মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্র ৩২ মক অমসুং আউটর মনিপুর সিটকী বিধান সভা কেন্দ্র ১৫ দা ভোট থাদনগনি।

থা অসিগী ১৯ দা অহানবা তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৪ গী পুন্না সিট ১০২ দা ভোৎ থাদনগনি। সিটশিং অদুগী মনুংদা তামিলনাদুগী ৩৯, রাজস্থানগী ১২, উত্তর প্রদেশকী ৮, মধ্য প্রদেশকী ৬, উত্তরাখন্দ, অসাম অমসুং মহারাষ্ট্রগা সিট ৫-৫, বিহারগী ৪, নোংচুপ বেঙ্গলগী ৩, অরুনাচল প্রদেশ মণিপুর অমসুং মেঘালয়গী সিট ২-২ অমদি ছত্তিসগর, মিজোরম, নাগালেন্দ, সিক্কিম, ত্রিপুরা, অন্দমান নিকোবর, জম্মু কাশ্মীর, লক্ষদ্বিপ অমসুং পুদুচেরিগী সিট অমমম য়াওরি। সিট অনি লৈবা মণিপুরগী ওইনদি ৱাৎহৌরিবা আডটর মণিপুর লোক সভা সিটকী বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা অনিসুবা তাঙ্কক এপ্রিল ২৬ তা ভোৎ থাদনগনি।

ইন্নর মণিপুর লোক সভা সিটতা মীরেপ ৬- ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অঙোমচা বিমোল অকোইজম, ভারতিয়া জনতা পার্তিগী থৌনাউজম বসন্তকুমার সিংহ, আর.পি.আই (অথৱালে)গী মহেশ্বর থৌনাউজম অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অহুম- আর.কে. সোমোরেন্দ্রো (কাইকু), মোইরাংথেম তোতোম সনা অমসুং হাওরুংবম শরত সিংহনা লম্বা থেংনরি।

আউটর সিটতনা- নাগা পিপলস ফ্রন্টকী কাইচু তিমোথি জিমিক, ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অলফ্রেদ কে. অর্থর অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অনি- ডাঃ এলিসন অবোনমাই অমদি এস. খো জোন পুন্না মীরেপ মরিনা লম্বা থেংনরি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগীদমক শেম শাবা লোইরে হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর খুমন্থেম দাইননা হায়রি- পোরোম্পাৎতা লৈবা দি.সি কমপ্লেক্সা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাকা হায়- জিলা অসিগী ওইনা অপুনবা ভোতর লাখ ৩ লিশিং ২৩,৮৪৪ না অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ৪৪১ দা ভো
ট থাদগনি। আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্ত্রি কেন্দ্রগী ভোটর ৭২৮ শু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না হাংবা স্পিসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা ভোট থাদগনি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা মীফম অমা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর টি.ঐচ কিরন কুমারনা লুচিংদুনা পাঙথোকখি। মদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী এস.পি কে.এস.ঐচ. সিবকন্দনা মীখল অসিগা মরী লৈননা লৌখৎলিবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা ফোংদোকখি।

অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল অসি শান্তি ওইনা, চুমা অমসুং নিংতমা ভোৎ থাদবা ঙমহন্নবা তঙাইফদবা চেকশিন থৌরাং পুমমক লৌখৎলে। তাঙ্কক অসিদা মীখলগী মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ওফিসিয়েলশিং ঙসিদগী মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসন য়ৌনবা চৎনবা হৌখ্রে। চান্দেল জিলাগী ওইনদি মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংদা চৎকদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং অমসুং সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতগী পোল্লিং টিম ২৫ দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার ময়াংলন্বম রাজক্মারনা ঙসি লমথাখি। ৱাৎহৌরিবা পোল্লিং টিম ৫৫ দি হয়েং খোঙশানগনি।

ককচিং জিলাগী ওইনা অহুমরক শুবা পোল্লিং পরসনেলশিংগী রেন্দম্মাইজেসন ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌবালগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা এন.আই.সিগী ভিদিও কনফরেন্সিং রুমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কেন্দ্রগী জেনরেল ওবজার্ভরী উজ্বাল কুমারনা য়েংশিনখি। ৱাবগাই , ককচিং, হিয়াংলম অমসুং শুগুনু কেন্দ্রগী ই.ভি.এম অমসুং ভি.ভি.পেদশিংগী স্ট্রোং রুম হয়েং অয়ুক পুং ৭ তা থৌবাল দি.সি কমপ্লেক্সতা লৈবা মিনি সেক্রেটরিয়েত্তা হাংদোক্কনি।

থৌবাল জিলাগী ওইনসু মীখল অসিগা মরীলৈননা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিং হয়েং অয়ুক পুং ৯ দগী থৌবাল মিনি সেক্রেটরিয়েত্তগী মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা চৎনবা হৌরগনি। জিলা অসিগী ওইনা ৱাংখেম, খাঙাবোক অমসুং খাঙাবোক রাইজ রিছার্স ষ্টেসনদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈবশিংগীদমক ওইবা স্পিসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসন অমসুং ৱাংজিং কোদোমপোকপীদা আউতরগী ওইনা স্পিসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসনদা হাংবা মফমশিংদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিং হয়েং লমথারগনি। থৌবাল, হৈরোক , বাংজিং তেন্থা , লিল্লোং কেন্দ্রগী ওইনা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলসু চাউয়াইমা হায়র সেকেন্দ্ররি স্কুলদগী খোংশাল্লগনি ।

উখ্রুল জিলাগী ওইনসু পোল্লিং পরসনেলশিং অহুম শুবা তাঙ্কক্কী ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে। মদুদা ই.ভি.এম শিজিন্নবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা থবকশিংগী মতাংদা তাকপী তন্বীখি হায়রি । পুন্না পোল্লিং ওফিসর ৩২৪ ত্রেনিং অদুদা শরুক য়াখি। মদুগী মনুংদা ১৬০ না নুপীনি, ১৬৪ না নুপানি।

অমরোমদা, সেনাপিতি জিলাদা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরনা স্বিপকী রেল্লি অমা ঙসি সেনাতি সহরদা চৎখ্রে। রেল্লি অসি মীখল অসিদা মীয়ামা নিয়ম চুমা অমসুং অকি অখঙ লৈতনা ভোট থাদবা ঙমবা পান্দমদা পাঙথোকপনি। রেল্লি অসি সেনাপতিগী এস্ত্রো ত্রফ´ গ্রাউন্দগী টি.এন.কে গেট ফাওবা চৎখি । মদুদগী অমুক ওল্ড রোদ ফাওদুনা এস্তো ত্রর্ফ গ্রাউন্দা হল্লকখি।

চুরাচন্দপুর জিলাগী ওইনসু লোক সভা মীখলগী মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেল অমসুং সেক্যুরিতি পরসনেলশিং ঙসিদগী মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা য়ৌনখ্রে। জিলা অসিগী মনুং চনবা হেংলেপ কেন্দ্রগী অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ২১, শিংহাৎ কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন ৬০গী মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেল অমসুং সেক্যুরিতিশিং অদু ত্যুবোংদা লৈবা পিছ গ্রাউন্দগী চৎখি।

পোল্লিং ষ্টেসন ১৬৬ লৈবা কাংপোকপী জিলাগী ওইনসু মখল অসিদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেল অমসুং সেস্ত্রেল আর্ম পুলিস ফোর্স পরসনেলশিং ঙসিদগী মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনদা চৎপা হৌনখ্রে। জিলা অসিগীদমক পুন্না ৱার্কিং পরসনেল ৬০০ হেননা মথৌ তোগনি। হয়েংসু পোল্লিং পরসনেল অমদি সেক্যুরিতিশিং মখা তানা চৎকনি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা চহি ৮৫ গী মথক্তা লৈবা য়াওনা হকচাংগী ফীভম মীমান্নদ্রবা ভোটরশিংদা ঙসি মশা মশাগী য়ুমদা ভোট থাদহনখ্রে। ভোট থাদবগী চাং চাদা ৯৭.২৫ য়ৌখি হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীদগী পাউদম অমা --

**--সাউন্দ মনিপুরসনা--**

**বিজেপি (এল)ঃ** বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- হৌজিক রাজ্য অসিনা মায়োকরিবা ফিভম অসিগী খ্বাইদগী মরুওইরিবা ৱাফম অদু শন্তাইনরগদি ৱাথোক অসি লাইনা লোইশিনবা য়াই।

ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মহাকা হায়- মরুওইরিবা ৱাফম অদু খঙদনদি তুং কোইবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই। শ্রী বিরেন্না হায়- খ্বাইদগী মরুওইরিবা ৱাফমশিং অদুদি- রাজ্যগী ঙমখৈ, রাজ্যগী লমগী অপুনবা শক্তম অমসুং য়েলহৌমীশিং অশোই অঙাম থোকহন্দবা হায়বনচিংবা অসিনি। মহাকা হায়- মরুওইবা ৱাফম অসি শন্তাইনবা তৌদনা শান্তিগী ৱারী শাবা পাম্মী।

**সেনা(এল)ঃ** লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি সিটকীদমক ভোট থাদনগদৌরিবা অসিদা মীয়ামা মশিং য়ামা থোক্লক্তুনা মখোয়গী গনতন্ত্রগী হক শিজিন্ননবা অমসুং মখোয়না পান্ববা মীরেপ খন্নবা শিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনা আপীল তৌরি।

ইম্ফালদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়- মনিপুরবু থুগাইনবা অমসুং মাংহন্নবা কৈদৌনংদসু হোৎনরোইদবনি। শ্রী তোম্বীনা হায়-এপ্রিল থা হৌবদা ঙাইরি অদুবু শাবদি য়ামা হেনগৎলে। মসি পুমমক অসি মশাগীতা খনবা মীওই খরনা চীংশিংগী মরু কোকথোরকপদগীনি । মহাকা হায়- মশাগীতা খনবা মীওই খরগী থৌওইশিনদগী রাজ্য অসিদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকপনি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেংনবা ব্রেক অমা --(বাবিনা)**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**নোংলৈ(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মমাংদা নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুখি। মসিনা মরম ওইদুনা মফম কয়াদা য়ুম কৈ হুমদোকপা,উ-ৱা তেকপা, ইলেক্ট্রিক পোস্ত তুবনচিংবা থৌদোকশিং থোকখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী থমাপোকপীদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মমাংদা অকনবা নোং নুংশিৎ শিৎপদগী য়ুম কয়া হুমদোকখ্রে, কয়ানা অমাং অতা থোকপদগী মীওই কয়া লৈফম লৈত্রে হায়রি। নোং নুংশিৎ অদুদা উ-ৱা কয়াসু তেকখি। অদুমওইনমক অশোক অপন থোকপগী পাউদি লৈতে।

সেনাপিতি জিলাগী মফম কয়াদসু ঙসি অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুখি।

**পিআইএল(এল)ঃ** ভিলেজ ভোলুন্তিয়ার ফোর্সশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অমসুং মখোয়বু সেক্যুরিতি ফোর্সতা এবজোর্ভ তৌহন্নবা পি.আই.এল অমা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরদা থাখ্রে।

ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা সোসিও পোলিতিকেল কম্মেন্টেটর চোংথাম বিজোয়না পাউমীশিংদা হায়- পি.আই.এল খুদিংমক্কী হিয়ারিং ভিদিওগ্রাফ তৌগদবনি। মসিনা মীয়ামদা মদুগী চপ চাবা মরম খঙহনবা ঙমগনি। মহাকা হায়- মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা খুল ঙাক্লিবশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবগী মতাংদা নহা ওইরিবা এদভোকেট অনিনা মনিপুর হায়কোর্টতা পি.আই.এল অমা থাংগৎলখি। পি.আই.এল অদুদা কেন্দ্র অমসুং ষ্টেট ফোর্সনা খুঞ্জাশিংগী পুন্সি অমসুং লন্থুম ঙাকবগী দাইত্যা লৌবা, ভিলেজ ভোলুন্তিয়রশিংবু আইন অমত্তগী মখাদা এন্তি নেসনেল ইলিমেন্তনি হায়না লাউথোক্তবা, ইরাং অসি লোইশিন্দ্রিবা ফাওবা ভিলেজ ভোলুন্তিয়রশিংগী য়াইফ থৌরাং পায়খৎপিবনচিংবা য়াওরি।

মহাকা হায়- কেন্দ্র অমসং রাজ্য সরকারনা মশিগী পাউখুম চয়োল অমগী মনুংদা পীরকবা খঙহল্লকখ্রে।

**--সংউন্দ বিজোয়**

**ময়োল(এল)ঃ** মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল)না মীখলগী কাংলোন চুমথোকবগী পান্দমদা চত্থরকখিবা ঐখোয়গী অনৌবা লাঙোলগী ভোট কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা মনিপুর য়ুনিভর্সিতি কেম্পসতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

য়ুনিভার্সিতি অসিগী মহৈরোইশিং শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা মীফম অমদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ত এসেম প্রিন্সনা হায়- ঙসি পাঙথোক্লিবা মীফম অসিনা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কেন্দ্রগী ওইনা লুপ অসিনা পাঙথোকপা অরোইবা মীফমনি । আউতরগী ওইনা মখা তানা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীফম পাঙথোক্কনি। মীয়ামা মসল পাৱর, মণি পাৱরদা চৎপিদনা কাংলোন চুমা পাঙথোকপা মীখল ওইহন্সি হায়নসু আপিল তৌখি।

**ৱিমেন(এল)ঃ** ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা ঙরাং পোৎ চৈ পুবা গাড়িশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী দ্রাইভর অনি শোকহনখিবা অমসুং থাও অমসুং এল.পি.জি পুবা গাড়ি অহুম অমাং অতা থোকহনখিবা থৌওং অদু মনিপুর ৱিমেন ফেদরেসন (এম.দব্লিউ.এফ)না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা চৈরাক পীয়ু হায়নসু লুপ অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

**এ.আর(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী জে.ই.ই, নিট অমসুং কম্পীতিতিব একজামশিংদা শরুক য়ানিংবা নহাশিংদা ভারত লাম্মীনা ত্রেনিং পীখ্রে। ত্রেনিং অসি মমাং চহিগী ওক্তোভরদগী চথরকখিবনি । মসিদা জে.ই.ই থানিংবা মহৈরোই ১৬ , নিটকী ৩৪ অমসুং অতোপ্পা কম্পীতিতিব একজামশিংগীদমক নহা ১০১ না শরুক য়াখি।

ভারত লাম্মীনা থৌরাং অসি মফম অদুগী নহাশিংবু তুংগী অঙানবা লম্বী অমা উহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎখিবনি। ত্রেনিং অসিদা শরুক য়াখিবা নহাশিংনা ভারত লাম্মীবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**সনামহি ঃ** সনামহি লাইনিং ভারত সংবিধানগী মনুংদা মাইনোরিতি রিলিজন ওইনা চলহন্নবা অমসুং শক খঙবীনবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না ফেদরেসন ওফ ইন্দিজিনস পিপলস দেমোক্রেতিক মুভমেন্ট (ফিদম)না লৈঙাক অমসুং মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লি।

**সহিত্যা(এল) ঃ** সসিহত্যা থৌপাঙ লুপ শাথৌ লুপনা পীবা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ ২০২৪ গী ওইনা খুরাই লাৎপম নন্দকুমার শর্ম্মদা পীরগনি হায়রি। মনা অসি থা অসিগী ২৩ দা মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা পীরগনি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইতেসন ওইনা লেংয়ান অমা য়াওরি। মনা অসি শ্রী নন্দকুমারনা জপান অমসুং মনিপুরগী মরক্তা হেননা নকশিন্ননবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংবু শক খঙবা ওইনা পীবনি।

**লিগ(এল)ঃ** ১৬ শুবা ষ্টেট লিগ ২০২৩ -২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নিশানা রাহি.য়ু.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। নম্বোল মপাল এথেল্লিটিক এন্দ কলচর ওর্গনাইজেন (নাকো)না টিটি রোদ এথেলেতিক ক্রাওবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি। অতোপ্পা মেটচ অমদনা নোর্থ ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অমসুং য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টস এন্দ ক্লব পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

**খেল্লো(এল)ঃ** চহি চ১৭ মখাগী খেল্লো ইন্দিয়া গলর্স ফুটবোল লিগ ২০২৩ -২৪ গী ঙসি লমলোং খোংথোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল ত্রর্ফ গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লবনা এফ.সি.এল ইম্ফালবু পাঞ্জল ৪-০ দা মাইথিবা পীখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** আর.কে.এফ.দিস ৫ শুবা সঙাই ত্রোফি ভেটিরান্ত ফুটবোল চেম্পীয়নসিপ ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ভি.এস.এ.আইনা কে.বি.এফ.এ পাঞ্জল ২- ১দা মায়থিবা পীখ্রে। কে.এফ.সিনা অম্বা এফ.সি.বু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

কন্দক্ত ঃ মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ত থুগাইবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না তেলঙ্গনাগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং বি.আর.এসকী মকোক কে. চন্দ্রসেখরা রাওদা নোতিফিকেসন পীখ্রে অমসুং হয়েং ফাওবগী মনুংদা শেংদোরকবা খঙহনখ্রে। থা অসিগী ৫ দা সিরসিলাদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী রাওনা কংগ্রেস দলগী ইজৎ শোকপা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি হায়না কংগ্রেসনা ৱাকৎলকপদগী নোটিশ অদু পীখিবনি।

**পি.এম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি দিজিতেল মিদিয়মগী খুত্থাংদা অযোধ্যাদা পাঙথোকপা রামলালাগী শুজাতিলক য়েংখি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- ভারত মচা কোতি কোতিনা তৌবগুমা মীকুপ অদু মহাক্কীসু য়ামা পুকিং নুংশিবা মীকুপ অমা ওইখি। মহাকা হায়- অযোধ্যাগী রাম নবমি থৌরম অসি ঐতিহাসিক ওইবা থৌরম অমা ওইদুনা লৈহৌরগনি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) মনিপুর য়াওনা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদনগদবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক ঙসি নুংথিল পুং ৪ দা লোইশিনখ্রে।

২) লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদবদা মথৌ তৌগদবা ওফিসিয়েল অমদি সেক্যুরিতি পরসনেলশিং ঙসিদগী মশা মশাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা চৎন্নবা হৌনখ্রে।

৩) অখাক অরাও য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা রাজ্য অসিগী মফম খরদা অমাং আতা থোকহনখ্রে।

৪) ভিলেজ ভোলুন্তিয়ার ফোর্সশিং সেক্যুরিতি ফোর্স ওইনা লৌশিন্নবা পি.আই.এল অমা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরদা থাখ্রে।

**অমসুং**

৫) মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না তেলঙ্গনাগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি কে. চন্দ্রসেখরা রাওদা নোতিফিকেসন পীখ্রে ।

**--- পাউ লোইজরে---**